# লাইদি থাজরগা পংতৌ তৌশিনবসি ফরমগদ্রা ?-১

**ৱাখল ইহুল**

**সোরাম ইবোহল লুৱাং**

ৱাহৈ (ৱার্দ) অমনা পোৎশক অমা খঙনবা ওইবা য়াই। খুদম - লাই, গোদ, ঈশ্বর (ভগবান), বারে (নাগা) অসিনচিংবা। মালেমসিদা লৈরিবা মীওই ৭.৭ বিল্লিয়ন (২০১৯) কয়াসিগী মনুংদা মথক্কী খুদমদা পল্লিবসি মাগী মাগী ফুরুপকী ওইনা থাজবা অমদি শোয়দনা লৈরমগনি। মসিগী মরক্তা মশীং য়াম্বা য়ামদবা মীওই খরনা লাই হায়বসি লৈতে হায়নীংবা য়াওরম্বা য়াই। অদুবু থোইদোক হেন্দোকপা মতিক-ময়াই চেনবা, তৌগে হায়বদা তৌবা ঙম্বা অমদি লৈ মাল্লে হায়না লৌরম্বদি য়াই। মখোয়শিংদু সুপর নেচরেল পাৱর লৈবশিংনি হায়না অদুগুম্বা মীওই খরনদি শোয়দনা লৌরমগনি।

অইবা ইশাগী ওইনদি করিগুম্বা পোৎশক অমা ওইনা পুথোক্লগা মসিবু লাইনি হায়বা ঙমদ্রবসু লাই হায়বসিগা মরী লৈনবা থৌনি থৌরম অমা/খরা ইশাগী ইমুংগী ইচা-ইশুশিংগী অমদি অতোপ্পগী হান্না মরম খরদগী ফৎলমদবদু ফনবা তৌবিরবা মতুংদা ফগৎলকপা অদুম য়াওখবসিনা লাই হায়বসিমদি থাজৈ। থাজৈ হায়দুনসু ‘চরোৎ হাবুংনা লাই ওল্লি’ হায়বা ৱাখলদুদি নত্তে। মরম চাবা চাদবা হায়বা অমদি য়েংবা/খনবা মথৌ তাই। খুদম - কুমজা ১৯৬৬-৬৭তা অইবা ইশা হান্নগী রাম লাল পোল হায় স্কুলদা ক্লাস নাইন তমই। নোংমা ঐ, ইমা, ইমাগী অপোকপী অবোকশি, ঐখোয় লৈকায় অমদি অতোপ্পা লৈকায়দগী অঙাং, লৈশাবী, নহা (নুপা-নুপী), অহল (নুপা-নুপী) চাউরাক্লা ঐখোয় ৪০ রোম গাড়ী তোংলগা কৌব্রু চীং কাবা চৎলি। অমুক কা, অমুক কুম তৌবা, মরোল মরোল লৈবা কৌব্রু চীংশাংশিংদু অহিংদা কাবনিনা থোইনদি ৱাখিদে। অদুবু ফনা ৱাংনা কাখৎলক্লবা মতুংদা নৌনা য়াম্বৎলগা তারম্বা উ পাম্বী অচৌবা অমনা চৎলিবা লম্বীদু থৎতুনা লৈরম্বদগী ফনা কুইনা লম্মাংনদুনা লৈখি। অইবদি অঙাংগা ওইবগা, অহানবা চৎপগা ওইরে, অহিংগা ওইবনা মফম মরাং খঙখিদে। হৌজিক ফাওবদা কৌব্রু চীং অনীরক হন্না চৎলুদ্রি। মতমদুগী ওইনা লমহেনবা নহা খরা হায়গদ্রা - মখোয় মশানা শাজবা কন্ট্রিমেদ পিস্টোল খুদুপমুক শাংবা পায়বা মখোয় অহুমগা, শঙ্গিন (বেনেট) পায়বা মখোয় খরগী খূৎপু খরনা (লাকমিন্নবদা য়াওরকপা) থৌনা ফবা শারগা মখোয়না চৎপা য়াবা লম্বী য়েংলুগে/থিরুগে হায়না হৌনরকপদা, মতমদুদা মশাগী চহী চাউরাক্লা ৫৫দগীনা ৬০ খরা হেল্লবা মাইবা ওইবা, মমাঙদা হান্না কৌব্রু লাইফমলেন্দা চৎলুরবা অহল খরনদি - ইচাশা ফরোই চৎলুনু হায়দুনা খামই। খাম্বদু য়াদবদগী ‘অঙাংনা মাইবা শারগা মং থল্লি’ হায়বদুগী মওংদা - মখূৎতা নোংমৈ অশাবা অমদি শঙ্গিন পায়রগা নুপী অঙাংশিংগী মমাঙদা অকনবা শানীংবগী ৱাখলদা খরা লাপ্পা চৎখ্রে। ঙৈহাক লৈরগদি ‘তুপ-তুপ’ হায়বা মখোল অমা তারকই। মদু লোইনমক তানৈ। মরকসিদা নুপা অহলশিংদুগী মরক্তগী খরা তোয়না চৎলুবা অহল অমনা ‘ঐখোয়গী খোঙচৎসি নুপী অঙাংনসু মশীং য়ামই, লম্বী লম্মাংনবা হায়বদু ওইরে হায়না খঙহনবিরক্লবনিনা ঐখোয় মফমসিদগী খরা হন্দোক্লগা থেল খরা ওইরপ তৌবা মফম অমদা নোংঙাল্লকপা ফাওবা লেল্লসি - সিদা সুম লৈরবদি ফত্ত-নুংদা থোকপা য়াই’ হায়বদগী ময়ামদু মফমদুদগী হন্দোরকখি। অহলদুনা অমুক অসুম্না মখা তারকই - ‘অঙাং খরা ওইবী নুপীমচা/নুপামচা, লৈশাবী মখৈনা ময়ায় ওইরপ্পা ফমহল্লগা - নুপা অহল, নুপী অহল ঐখোয়না মতাই থংনা কোয়শিল্লগা লৈরসি’ হায়না শিন্দোক্তুনা লৈরিঙৈদা - ঙসাই য়াম্না থৌনা ফবা শারগা চৎখিবা খূৎপু ৭/৮দু নিংশা মপি হোল্লগা চেল্লক্লম্মী। অদুগদি ‘মরাং মরাংদু চাউইহে’ হায়না তম্লরে। মদুদা অহলদুনা নখোয় কৌব্রু লাইগী লাইশা ওইরম্বগী ফবনি। তুপ-তুপ হায়না তৌরকইবদু ঐখোয় লম্মাংনরে, তাইবঙ মী নখোয় অমম্বদা কোয়চৎ চৎকনু হায়বগী ইঙ্গিৎনি। ঐখোয়দি (নহাশিংদুনা) মদু খঙদবদগী মীনা উ শীংজংনা য়াল্লিবোই ৱাখলদা মায়কৈ অদোমদা চংলুবদা পংলাপ লাপ্তুনা মরাং মরাংবদু লৈরম্বগী ৱানি হায়না পাউ হোদোক্লরবা মতুংদা অঙাংশিং ঐখোয় কিদনবা ৱারীদু তোক্লসি। মিৎ নাদি ঐখোয় অয়াম্বা শিংনরগা নোংঙানবা ফাওবদি মফমসিদা লেল্লসি হায়নদুনা অদুম লেল্লে।

নাকল অমরোমদা, কৌব্রু চীংদা নোং অমুক চুবা অমুক হাংবা হায়বসিদি হৌনশা ওইরম্বনা, চীংগী অৱাংবসু সুম হেনগৎলকপনা অইবা ইশাদি মতমদুদা অঙ্গৈং অশু কাবা (অঙ্গৈং অশা ওন্নবদু) হায়বদু ওইরগা, কিসু কিবগা খোঙ হামনীংবদু খাঙজিন্নবা হোৎনবদা গ্যাসনা কোকলোমদা হাইগৎখিদুনা ইশাগী কুচু মুবগী মথক্তা শংত্রিক শংবা মায়থোং/শক্তম উবদা ইমাগা-অবোকশিগনা ঐসে (অইবা) কৌব্রু চীংদা অদুম শিরদ্রা খল্লুরে হায়না কোন্না তমই।

অহিংদু য়াম্না থৱায় ৱাননা মতম লেল্লুবা মতুং নোং ঙানফুং-ঙানফুং তৌরকপা মতমদা লম্মিৎ তুম্মিৎ খঙবা অহল অহুম্না চৎলগা য়েংলুবদা লম্বী থৎলগা তাদুনা লৈরিবা উজাউদুগী ওই থংবরোমদা লৈবা লম্বীদুদা মখা তানা চৎকদবা ওইরম্বদগী অমুক হন্না নোংঙাল্লগা চীং কাবা হৌরে। ঙৈহাক লৈরগা অমুক নোংলৈ নুংশিৎ অকনবা অমগা মায়োক্লরে। মতাংদুদা নুপীশিংদুনা কৌব্রু লাইবু খোঞ্জেল থোক্লা অৱা অনা তাহনবীদনবা হায়জ নোঞ্জ তৌরকই। অদুবু অইবা ইশাদি ফীভম শোকপা হেঞ্জিল্লকপদগী নুংশিৎনা হুমদুনা পুবগুম্না মেন-মান ফজনা তাখিদ্রে। কৌব্রু লাইনা ঐখোয়বু চানবীদ্রমাল্লে হায়নবা য়াওরকপদগী ঐখোয়গী খোঙচৎসিবু লমচিংবিরিবা অহলদুনা অসুম্না হায়রকই - “লমহেনবা নহা খরনা শোয়দনা লাই খুনদিন্নবদা ফম্নবা মোরাগী মওং মানবদু মচেৎ অমা থাঙনগা ফকউবা নৎত্রগা তৌবা য়াদে হায়বা থৌওং খরা শোয়দনা তৌবা য়াওরমগনি। মসিমক্লা অশি-অনাদি মরাল লৈতবা মীচমশিংদা থোকহল্লোই হায়রবসু অৱাবদি চপ মান্নৱা মায়োক্লগনি। লমহেনবা মশা মশাদুদদি শোয়দনা লাই উশিৎতবগী খঙহনবা ওইনা অচৌবা চৈবী চৈথেংদি ফংহনগনি। খঙদনা তৌবা ওইরুরগনা কনাগুম্বা অখঙবনা হান্নগী মফমদুদা চৎলগা অমুক থল্লুরবদি নোংলৈ নুংশিৎনচিংবদু নেমখিগনি হায়না ময়ামদা ৱারী লীনা লীনা চৎলিঙৈদা হান্না য়াম্না কন্না শিৎলম্বা নোংলৈ নুংশিৎতু চাং খরা খরা হন্থরকখি।



হায়রিবা ৱারীসিগী অশেঙবা ৱাফমদি কৌব্রু লৈখাগী ষণ মরূম শাবা য়াম্লসু ঙম্বা খ্বাইদগী ৱাংবা চীংদোল কাদ্রিঙৈদা থেলসু ওইরগা পুখ্রি অমসু লৈবা ময়াম্না চাক এঞ্জাং থোংদুনা চানবা মফমদু য়ৌরবা মতমদতা খঙবা ঙল্লকখি। ঙসাই লম্বীদা অহলদুনা লীখিবদু চপ চানা নহা খরনা খঙদবদগী মোরাদুগী শরুক খরা থাঙনা কোৎলগা পুরকপদগী নোংলৈ নুংশিৎতু শিৎপা হৌবা ওইরমখি। মীয়াম য়াম্না ৱানরকপদগী কনা কনাগুম্বনা করি করি তৌবা য়াওনরুবগে- মদু মফমদুদা অমুক থল্লুদ্রবদি মীয়ামসি য়াম্না ৱানবা তারে হায়নরকপদা অশেঙবা তৌরুবা মখোয় খরদু মফমদু তান্না মখোয় খক্তা চৎপা কিবদগী তোয়না চৎপদগী ৱারী ৱাখোঙ খঙবা অতোপ্পা খরসু য়াওনা চৎলগা হান্নগী মফমদুদা হেক থল্লুবদগী নোংলৈ নুংশিৎতু নেমখি।

মথক্তসু পঞ্জখ্রে- অইবা ইশাদি মতমদুদা অঙ্গৈং অশু (অঙ্গৈং অশা ওন্নবা) কাবদগী মফমদুদা পুং খরদি পোত্থাদুনা লৈরগনি খনবদগী ইমা অমদি অবোকশিদা ইকায়বদগী করিমত্তা হায়রমদনা মতম খরা কুইনা খোঙ হাম্বা/থেমদোকপা য়াগদবা মফম থিবা থোরকখি। মদুদা ঐখোয় স্কুলদা তম্মিন্নবা ইমান্নবা অমা মখোয় লৈকায়গী ময়াম্বশিং খরগা চীং কাবা অহানবা ওইনা লাকপনি অদুবু মখোয়দি ময়ূমদা হল্লনি হায়বা অমা থেংনবদা য়াম্না হরাউখি। মঙোন্দা মরুপ নখোয়দি মফম কদায়দা খোঙ হামই হায়না হংলুবদা ঐখোয়সু খঙদবদগী অম্বাইদা অদুম হামই হায়রকপা মফমদুদা ঐ খোঙ হামনীংবনা লোইরে, য়াদ্রে মরুপ হায়রল্লগা খরা চঙশিল্লগা খোঙ হাম্বা হৌরে। ঐগী নুংশিরবা মরুপ্তুনা মখোয়না হান্না শীজিন্নবা লিক্লি অনীদা ঈশিং পিক থন্না শোক্লগা ঐঙোন্দা পীবিরম্লগা মখোয়দি ঙসি হল্লগে হায়রম্লগা চৎখ্রে। ঐহাকসু পুংমুক ফানিংচিৎ পুক মেৎতুনা থক্তা হাইগৎখিবা নুংশিৎ ওইনা তৌবশিংদু মতম চঙনা লৌথোকপদগী ইশাসি খরদি নুংঙাইরে।

অসোমদদি ইমা অমদি অবোকশি নৎত্রগা লাকমিন্নবা কনা অমত্তদা হায়বা নংদবদগী ঙাওচৎনরকপগা হায়রমদনা মফম খঙদনা মাঙখ্রে, কদায়দা চৎখ্রবনো, মফম অমদা শিরগা লৈরম্বা তারে হায়না মনাক অদুৱাইদা কোয়থি থিবদা থিফম খঙদবদগী য়াম্না ৱানা লৈরম্মী। তাঞ্জাদুদা ঐনা হল্লকপা হেক উবদা ইমা অমদি অবোকশিনা শিদ্রে খঙবদগী অমুক লাইগী লুরবা লাইফমলেনসিগী তৌহৈদবা মফমদা অমাং অশোয়নচিংবা তৌশিল্লুবনা অতোপ্পা অচৌবা চৈবী চৈথেং ফংহনবীবদগী য়ূমদা হিংনা হনবা ঙল্লরোইদ্রা হায়না পাখৎখিবদগী মাইবা মকোক য়াওরকপদুদা হায়জরগা কৌব্রু লাইদা হায়জ নোঞ্জ তৌনবা মফমদু ঐবু (অইববু) তাকউ হায়দনা চেং-লৈ, মৈরা মৈনম, চান্দি লুপা ১ চৎপী য়াওনা অমাইবা পুরেল, ইমা অমদি ঐ ইশানা লমচিংলগা ঐখোয় অহুম মফমদুদা চৎলে। ঐনা মফমদু তাকপদা মদুদি কৌব্রু লাইফমগী ষণ মরূম শাবদুগী হেক মপা চপ চানা তাবদু ওইরম্বদা ইশাসি পাখৎখিবদগী ৱা ঙাঙবা ঙমখিদ্রে। ঐনদি ইচম চম্না খোঙ হামনীংমনবদগী খঙদদনা তৌরুবনি, হান্না মফমসিদা লৈরম্বা ইমান্নবহোয়সু খঙদবদগী খোঙ হামই হায়না তাক্লম্বদগী তৌরুবনি হায়বদা মাইবা পুরেলদুনা কৌব্রু লাইগী খুভমলোমদা ওল্লগা হায়জ নোঞ্জবগী লাইরোল খরা তৌবিবদগী থোইদোকপা করিসু অশোয় অঙাম য়াওরক্তে। মতমদু ক্লাস নাইন তমখৎলকপদা ঙাইরিবা চহী মতাংদনি। হৌজিক অইবা ইশাগী চহী ৬৯ লানখৎলগা ৭০গী মনুংনি। হৌজিক ফাওবদি ইচা অহুমগী অপোকপা ওইরগা হিংলি।

মসিদগী ইশাদা লাইগী মরমদা থাজবা হৌরকখি। অদুদগীদি অইবনা খল্লকখি অমসুং ৱাখলদা ফাওরকখি - “লাইগী মফমদদি পুকচেল শেংবা হায়বা অমদি য়াম্নমক মথৌ তাই’। মদুগী মতিক চাবা খুদম অমদি অইবা ইশা হৌজিক্তি ইনাৎ লাইনীংগী য়াম্না হৈত্রিবা পিবা অমা ওইনা মীয়ামগী থৌগল ওইনা লাইগী থৌরম থৌদা পাঙবদি চহী মতম খরগী মমাঙদগী হৌজরে। ইনাৎ লাইনীংনা য়াইফরে।।◀◀

# এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

## নম্বুল তুরেল মোৎহল্লুবদগী লুপা ক্রোর ৯৭ তিংবা তারি

ঈকায় খুম্নজরিবা এদিটর,

মণিপুরগী মশাগী শেল-থুমগী ফীভম ফগৎলক্কদবগী মতমদি ফনা শাংনা ৱাৎলি। সেবেন্থ কম্মিসনসু চৎনহনবা ঙমখিরোই হায়দুনা শিখাং খাংদুনা লৈরক্লি। মীয়াম ঐখোয়সু সেকেন্দ হেন্দগী ফুরিৎ-খোঙ্গ্রাও, খোঙউপ-ফিনাৎ শীজিন্নদুনা কাবক কাবক মায়দি ঙাক্লরি। মহাও য়াওদনা চুম্নতা হিংনবগীদমক সেন্টরগী মচুম খরা খরা থক্লকপসি চহী ৭০ রোমদি ফাজিল্লক্লে। অসুম্না সেঞ্চ্যুরি অমা য়ৌখিবদা করিসু খঙহৌরোই। মীনুংশি চাউবী ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈরুবদগীদি নীংখা-তম্না নিংথৌ পাল্লম্বা মণিপুর সনা লৈবাক অসি ৱাহন্থোক য়াওদবা ইচম-চম্বা পুন্সি মহিংগীদমক শুপ্নদগী চাবা থকপা ফাওবা পীবীরক্লবা সেন্টরদা তোয়না নীবা হায়জ-নোঞ্জবা অমসুং য়াথং ঙাইবা লেপ্পা য়াদবগী হৈনবী অসি হৈনহন্দুনা অতোন-অতাংগী পুন্সিগুম লেল্লক্লি। মসি মণিপুরগী হান্না লৈরমদবা কোন্না লৈরকপা য়াম্না লাইবক থীবা পোলিটিকেল কলচর অমনি। হুমাং মমলনা তান্দুনা ফংবা শেলগী ভেল্যুনা নীজ-খোৎচদুনা ফংবা শেলগী ভেল্যুদগী হেন্না মতিক ময়ায় লৈ হায়নরিবদুনি।

মমাঙঙৈগী মতমদদি, লৈজবা পোৎচৈ খরগা লমচৎ-শাজৎ ফজবা, লৈবাক মচা তাবা, তরু-তহেন্না লৈবা হায়বসিনা পুন্সিগী অথোইবা লৈতেং ওইনরম্মী। হৌজিক্কী মতমদনা পুম্নমক অসি তায়োন্নবা ওইনা থোক্তুনা, মণিপুরগী খুন্নাই অসি অসিগুম্বা লৈতেং য়াওদ্রবা পুন্সি ওইনা হিংলি। অসিনা মরম ওইদুনা অকোয়বদা লৈরিবা চীং-পাৎ, তুরেল লম্ফাং-তুহাং অসিনচিংবা মহৌশাগী খুদোলশিং অসি অমোৎপগী অমোৎপা ঙাক্তা ঙায়শিল্লক্লে। অসুম্না লংজরুবা মরালগী মপোৎ ফারবনিনা নম্বুল তুরেল অসি মতম চঙনা নালহন্নবা হোৎনবদা লায়রবা ঐখোয় পুম্বা মদুগী মমল ওইনা লুপা ক্রোর ৯৭ কী চাউরবা শেনফম অমা অমুক তোনশিনবা তারে। তুরেল অসি মওং থীনা মোৎহল্লমদ্রগদি অসুক চাউখ্রবা শেনফম অসি খুন্নাইগী অতোপ্পা চাউখৎ লম্বী অমা শেম্বদা শীজিন্নরবদি কয়াদা ফরমগদবনো ! মণিপুর লৈপাক শেন্নবদি লায়রদনা ঐখোয় পুম্বগী থৱায় ওইরিবা নম্বুল তুরেল অরসি শেন্ননবা হোৎনবদা অচৌবা শেনফম কয়া চঙখিগদৌরি। মসি পুম্নমক অসি ঐখোয় পুম্বগী লৈবাক মচা তাজদবা, তুংগী মীৎয়েং শান্না উবা ঙমদবা অমসুং অমোৎপা পামজবা ৱাখল লায়না অদুনা থোকহনবা ফৎতবা থবক্লি।

মহৌশাগী পোৎচৈনা মোৎশিঞ্জরকপনা ইনভাইরনমেন্টদা থোইদোক্লা কা হেন্না কিনিংঙাই ওইবা অকায়বা পীদে। তপ্নবু ওইরবসু থুনবু ওইরবসু মহৌশাদি মশানা মোৎহঞ্জবা অদু ইরায় লায়না মশা মথন্তনা অমুক শেংদোকচবা ঙম্মী। লৈমায় থক্তা কেল্লক্লিবা উনা-ৱানা, অশিবা শা-ঙা, উচেক-ৱায়ানচিংবা মথন মথন্তা পথ্থ-পুমথ তৌদুনা লৈবাক ওনখিবা ঙাক্তনি। অমরোমদা মীওইবগী খুৎশেম্না শাবা পোৎচৈশিংনা মোৎশিলহল্লকপা অসিদি মহৌশানসু অমসুং মীওইবা মশানসু ইরায় লায়না হেক শেংদোকপা ঙমদ্রি। লীক্লি গ্লাস, প্লাষ্টিকনচিংবা মীওইবগী খুৎশেমনা শাবা পোৎচৈশিং অসি লৈমায়দা নৎত্রগা ঈশিং ঈমায়দা তাখিবা মতমদা পথ্থ-পুমথবা তৌদনা মতম শাংনা মখল কয়াগী পোল্যুসন থোকহন্দুনা মালেম অসিদা অচৌবা গ্লোবেন প্রোব্লেম ওইহল্লকই। চাউখৎপা লৈবাকশিংদদি লৈবাক মচা তানবা, য়ুম্লে-কৈরৈগী ফজবা সিষ্টেম লৈবা অমসুং মতম মতমগী চুনা-চানগদবা টাউন/সিটিগী মতম চানা পোলিসী-প্লান্নিং তৌবনা মরম ওইদুনা শুমজিৎ শীৎতুনা লম-তু শেংবা, তুরেল-নালানচিংবা মোৎশিল্লকপদগী শেংবা ঙম্নদদুনা ঐখোয় অসিৱাইদা ঙাইহাক লৈতা লাওনবগী ইস্যু অসিগুম্বদি লৈত্রে। মখোয়দি মোৎশিল্লক্লবা সমুদ্র অমসুং মপান নাইদ্রবা স্পেসতা পাইদুনা লৈরিবা রোকেট, মিসাইল, সেটলাইটনচিংবগী মচেৎ মকায় লিশিং-লিশিং অমদি মখোয়শিং অদুদগী থাদোরকপা ফৎতবা ফ্যুয়েল গ্যাস অদু করম্না শেংদোক্কনি হায়বগী হিরমদা ৱাখল তামিন্নদুনা স্পেসকী প্রোজেক্টশিং শেম্নখ্রে।

গঙ্গা তুরেলবুসু গঙ্গা মাতা কৌদুনা ঈরাৎ থৌনিনরি। অসুম্না ব্রাহ্মন, পুরোহিত, মৌলুবীনচিংবা রিলিজিয়স ওইবা অথোইবা মীশকশিংনা নম্বুল তুরেলবুসু ইমা নম্বুল হায়না থম্মোয় শেংনা কৌবীদুনা ঈরাৎ থৌনিজবগা লোয়ননা নহাকপু তরু-তহেন্না লুনা-নান্না থম্বীনবা লাউপাউ ওইনা পঙলবা ভক্ত মনাই ঐখোয়দা শংে দাক্লা তাকহন্নিংই। ঈশ্বরবু থাজবা ভক্ত-মনাইশিং ওইরগদি লাইগী লাইপাউ অদু শোয়দনা ইনগনি থাজৈ। অসিগীসু মথক্তা হায়জনিংবা অমনা হান্না পায়খৎপা হৌরম্লবা ইম্ফাল মনুংগী সিউৱরেজ প্রোজেক্ট অদুসু থবক ওইনা হৌবা য়ারগদি নম্বুল তুরেলদা য়াম্না ঝামেলা ওইবা মওংদা কিলোমিটর ৯ শাংনা পাইপনচিংবা ফুম্বা লেংবা তৌদুনা লুপা ক্রোর ৯৭ খরচ তৌবদগী কনবা ঙমগদ্রা খঞ্জে। অসিগুম্বা অচৌবা শেনফম অসিনা নোংগী ঈশিং অসি রিজার্ভ তৌশিন্দুনা থম্বদা অমসুং ৱাটর ত্রিটমেন্ট প্লান্ট শেম্বদা শীজিন্নরবদি ইকং থাদা হায়নিংঙাই লৈতনা কান্নগনি।

অরোইবদা, চীং, পাৎ, তুরেল, লম্ফাং তুহাং অসিনচিংবা মহৌশাগী খুদোলশিং অসি মথোং মরম খঙদবমখৈ মোৎহল্লিবসে লৈবাক্কী অঙম-অথৌ ফম্নাইবা, ফম্নাইবী মীচম-মীয়াম ঐখোয় পুম্বগী লৈবাক মচা তাদবদগী থোক্লিবনি। ঐখোয় পুম্বনা অসিগুম্বা তৌহৈদবা থবকশিং তৌরুবগী তেকচাক পুবা তাবনি। হায়জ নিংহৌবা অমনা কংফালদা তাবা অমোৎ-অকায়দি শেংদোকপদা খরবু লায়রি, পাৎ, তুরেল মনুংদা তাশিনখিবা অমোৎ-অকায়দি শেংদোকপদা অরুবা থবক অমা ওইদুনা শেল য়াম্না চঙগনি। মরম অসিনা ঐখোয় পুম্বা লায়রবনি, নিদুনা হিংলিবনি অমসুং থক্লবা ঈশিং ফাওবা লৈত্রিবনি হায়বসি খঙমিন্নদুনা ঐখোয়গী লৈজরিবা এন জি ও, সী এস ও, লোকেল ক্লব, লৈকায় কম্মিটি, মৈরা পায়বী অসিনচিংবা ঐখোয় পুম্বনা চীং, পাৎ, তুরেল, লম্ফাং-তুহাংনচিংবা লূ-নান্না থম্নবগী হিরমদা এৱ্যেরনেস রেল্লি নৎত্রগা কেম্প্যেননচিংবা পাঙথোকপা মতম য়ৌরে খঞ্জে।

*অদোমগী : ডো. এন জি মঙ্গি*
*সেগা রোদ ইম্ফাল ৱেষ্ট*




## মরোল থোকপা লাই

